ঙুংখঙ ঈলুপথিবা হনবিয়ু।
থংনা থংনা ইপা ইপুগী
মকমদা অরানবা তৌবিন্নু।



# য়েক করিনো ?

## (৯) ঈয়েক ঈলীক

মীতৈ ইপা ইপুনা পাক-চাওগ্রবা ঙমখৈ লৈত্রবা, মথক মখা, খা বাং নোংপোক নোংচুপ মাইকৈদি লৈবা, হৌবা অমম্বুং লোইবা লৈতবা মতম অমম্বুং নোংথৌ মম্বুং (*Time and Space*) কী ময়ুম ওইনা মফম অসিবু তিংপালপা, তেংপালপা হায়না কৌই। ইহাং হাংবা ইতিং তিংপা ইতেং তেংপাগী মপু অহনা নোংথৌ-মম্বুং শেমগংকে নিংলক্লে। তিংপালপা তেংপালপগী মপু মহাক্না নোংথৌ মম্বুং শেমগে নিংলকপগা মহাকী ঙুংপুং বাখলদগী মৈ, ঈশিং, ঙুংশিং, থরাইমিচাক নিংথৌ তুরেল শিদবা, নুমিৎ, থা, মালেম, খোংচোং মখা, চয়োল তরেৎ অসিনচিংবা পুন্নমক শেমলে। তাইপং পালপা (*Universe*) অমগী মঙং শেমলে। তেংপালপা তিংপালপগী মপু অমতা ওইবা অহানবা মহাকী মমিং ঈপুঙ লোইনপা আপকপা কৌই।[১] মপু মহাক্না তিংপালপা তেংপালপা অসিবু শেম্বনি। থরাইমিচাক নিংথৌ তুরেল শিদবা অসিনচিংবা পুন্নমকশু মহাক্না নিংবদগী (মহাকী ঙুংপুং বাখলদগী) ওইখিবনি।

অহানবা ওইবা তেংপালপা তিংপালপাগী মপু, নোংথৌ-মম্বুং পুন্নমক মহাক্না নিংবদগী ওইখিবা, পুন্নমকী হৌফম ওইবা, পুন্নমক মহাকী মকমদা য়াওবা মপু মহাকী মমিং পুয়ানা[১] ঈপুঙ লোইনপা আপকপা কৌই। 'অমা' হায়বসি মহাকী অত্তোপ্পা মমিংনি। 'অমা' হায়রিবা পুন্নমকী হৌফম ওইবা ঈপুঙ লোইনপা আপকপা হায়রিবা অসি নোংচুপকী বাংউলোয়া *Primordial/Primordial whole* হায়রিব অহনি। ঈপুঙ লোইনপা আপকপা মহাকী মশাদা মীতৈগী লাইপুংথৌ তরেৎ হায়বদি — (১) নোংপোক চীঙথৈ অপালপা, (২) অবাঙপা কৌপালু, (৩) থাংচীঙ কোইরেল লাই, (৪) খানা চাঙপা রাঙপুলেল

১ বাকোকলোন হীলেল থিলেল

লাই। (৫) ঈলাই পুলেল পুলিঙ লাই, (৬) লাইনিঙথৌ পাংকলপা (৭) সলাইলেল সিতপা লাইপুঙথৌ ৭ অসি মহাক্কী মকমদা পকতুনা নপতুনা য়াওই হায়বগী মপু মহাকপু 'আপকপা' কৌই, মপু মহাক্না ঈ পুন্নমক্কী মপুংনি মপুনি, ঈ পুন্নমক্কী হৌফমনি হায়বগী মপু মহাকপু 'ঈপুঙ' কৌই, তেংপালপা তিংপালপা তাইপঙ পালপা পুন্নমক মহাক্কী মশাদা লোইনহন্না লৈ হায়বগী 'লোইনপা' কৌই। ঈপুঙ লোইনপা আপকপা মহাক্না পুন্নমক্কী মপানি, পুন্নমক্কী হৌফমনি। তেংপালপা তিংপালপা তাইপঙপালপা পুন্নমক মাঙোন্দগী ওইখিবনি। হুমিং, থা থবাইমিচাক অসিনচিংবা পুন্নমক মহাক্কী অনিংবদগী ওইখিবনি।

"**লাইপুঙথৌশিংমা পুননা তিনশিন্নরাতুনা থোকপা মতিক্কপু ঈপুঙ লোইনপামক ওইয়ে। পুনশিনপা তিনশিনপা কৌয়ে। তিনশিনবাগী খুতক্কমতি অসিনে ( / )॥ ঈপুঙলোই আপকপাক্কী নুং-সা সা-তুমমপু থাইথোকপা অতুনা য়াকোনপুঙতা লৈপা লাইপুঙথৌ ৭তা য়েন্নথোকলে।**" ১

তিংপালপা তেংপালপগী মপু ঈপুঙ লোইনপা আপকপা মহাক্কী মশাদা লাইপুঙথৌ ৭মক পুনশিনহনা লৈ॥ অমরোমদা অমুক হায়রগা অহানবা ওইরিবা পুন্নমক্কী মপু ওইরিবা মহাকসে লাইপুঙথৌ ৭ না পুনশিন্দুনা ওইবনি। অমরোমদা অমুক হন্না হায়রবদা ঈপুঙ লোইনপা আপকপা মপু ইবুংঙো মহাক্কী মশাসে সরুক ৭না শাবনি, সরুক ৭ থোক্না থাইদোকপা য়েনথোকপা য়াই, সরুক ৭ অহুগী অমমম অহু লাইপুঙথৌ ৭ নি। শন্না হায়রবদা 'অমা' হায়রিবা অহানবা (*First Principle*) মপু, মীতৈনা ঈপুঙ লোইনপা আপকপা কৌরিবা মহাকসে লাইপুঙথৌ ৭ না পুনশিন্নগা ওইবনি।

মথক্তা য়াহৈ পরেং খরা শন্দোক্না ওইবনা ইজরিবন্না পাবিরিবশিংনা মথক্কী বাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক পুয়াদগী লৌথোকচবা য়াহৈ পরেংশিং অহুগী বাহস্তোক

১ বাকোলোন হীলেল থিলেল



থংবিনবনি। মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকচবা য়াহৈ পরেংশিং অহুদা "নুং-সা সা-তুম" হায়রিবা বাহৈশিং অমি য়াওরি। হায়রিবা "নুং-সা" অসিগী বাহস্তোকতি "নুং"=রাখলদগী, নিংবদগী ওইরকপা "সা" হায়বদি হকচাংগী শরুক সদোং অমহুং ঈনা শাবা, "সা-তুম" অহুগুমা শাগী মতুম হায়বনি। মীতৈগী বাংউলোন ( *Philosophy* ) অসি নুংলোন ( *Idealism* ) নি। তেংপাল তিংপাল তাইপংপাল অসিনচিংবা পুন্নমক পু মাগী নুংপুঙ রাখলদগী পুথোকখিবনি।

"**লাক্কী ঈপুঙঙো তিংপালপা মাপু কৌলিপ্প ঈপুঙঙো মহাক্কা লোইনতুনা লৈলিপা লাইপুঙথৌ ৭ মাতা পকতুনা ঈক্কী মওং মাম, খুগী মজুম চাউনা অকোইপা ওইনা পকয়ে॥ অকোইপা আতুপু ঈয়েক কৌয়ে॥০॥ ঈয়েক আতুক্কী মনুঙতা ঈক্কী ফুন ১ লৈয়ে॥ অতুপু ঈলীক কৌয়ে॥**"১

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা য়াহৈ পরেংশিং অসিদগী 'ঈয়েক' 'ঈলীক' হায়বসি করি করিনো হায়বহু থংবিরমলগনি। হান্না পুয়াদগী লৌথোকপা য়াহৈ পরেংশিং উৎতুনা হায়জথে মহুদি ইহান হানবা পুন্নমক্কী মপু পুন্নমক্কী হৌফম ওইবা ঈপুঙ লোইনপা আপকপা মহাকসি লাইপুঙথৌ ৭ না শাবনি। মফম অসিদা পুয়ানা হায়রিবনা ঈপুঙ লোইনপা মহাক্কী মশা ওইরিবা লাইপুঙথৌ ৭ মক্কী মশাদা ঈক্কী মওং মানবা অকোইবা অমমম পকতুনা লৈ; অকোইবা ঈ মানবা লাইপুঙথৌশিংদা পকতুনা লৈবা অহুবু 'ঈয়েক' কৌয়ে। ঈয়েকশিং অহুগী মনুংদা ঈক্কী 'ফুন' অকোইবা মতুম অমমম লৈ ঈক্কী 'ফুন' অহুবু ঈলীক কৌই।

মতাং অসিদা নিংশিংবিবা য়াই মহুদি মথক্তা পনখিবা পুয়ানা 'নুং-সা সা-তুম' হায়বহু 'ঈয়েক' অমদি ঈলীক' হায়রিবা অসিনি। মীতৈগী বাংউলোন্দা ইহান হানবা ইহৌ হৌবা 'অমা' হায়রগা থংনবা মপু মহাকসি মচাক (*Matter*) নত্তে, বাহৌ *Prin-*

১ বাকোকলোন হীলেল থিলেল

*ciple* নি, *metaphysical principle* নি, *Spirit* নি। । লাইপুংথৌ ৭ পুথোকপা' অমসুং লাইপুংথৌগী মশাগী 'ঈয়েক' অমসুং 'ঈলাক' ওইরকপা মীতৈগী *creation* (লৈশেম্বা) গী *theory* দা তাইবং-পালবা *Material Universe* অমা শেমলকপগী অহৌবনি; বাখল অমলি মচাক (*Idea and Matter*) গী তাইনকননি। ঈপুং লোইন-পা আপকপা অমসুং লাইপুংথৌ ৭ না বাহৌ নোংহৌ লৈশেম (*creation*) গী অহৌবনি।

## (২) য়েক

'য়েক' অমদি 'য়েক থোকপা' হায়বসিদি তাইপং পালবা মপু মহাক্না তাইবং শেমলক্লবা, মীওইবনা লাইগী থাজগী মীগী থাক্তা হুন্দরক্লবা, *Christian*-গী বাইবলগী হায়বা তাঁরক্দি অদাম অমসুং ইভনা তাইবং মপু মহাকী য়াথং কয়ামুক ডাকতনা চংলকপদগী লাইগা নক্লবা মপু মাগী খুদোল মতিক ময়াই কয়ামুক মাংখিবা মীওইবগী মশাগী পুক্রিংদা শাগী থাকতা হুন্দরকপা মতম অচুদা থোরকপনি। মীতৈ ইপা ইপুনা অমসুং পুয়াদা 'য়েক' হায়বসি করিবু খংনরবগে য়েংশি।

"পাখংপানা হাইলকই – ঈপাপুং ঈপুওংগো সিতাপা! নমু-তাইপওং হাউতোন সুংগোনসিংনা। লাইক্কী চাতা নাউতানি হাইনা চত্তলকতাপা আসীপু ক্লব হাইনা তৌকপা। আমী হাতি হাইনাপাত্তা। সপাইলেলতি সিতাপা। নুংপুং হাথল তৌতুনা হাইলকই – ঈপালীও নুংসিপা। ঈচাগী চাতা সলাইলুপ সাখাই-পিংক্না লাইক্কী চীচংপা লৌতুনা চত্তনা য়ু লোইহে। আসুমনাতি মপানীতা হাইলকয়ে। লাইক্কী সুপনা ঈচাক্কী চাতা নাউতাপু সৌকউপা অসীতি লাইপুংথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ কী হুংওইনমা ঈপামা ওসিতাকী থোনা য়েক হাংনা কোল্লক্কে॥ ঈচাকী চাতা নাউতানা। লাইকী সুপনা চত্তলমপা ক্রিতম লৌতুনা চত্তলকলাপতি। লাইক্কা মীকন য়েকনপা। তৈনপা। থোনপা। ওইসুনো লাইপুংথৌ ৭ মকক্কা য়েকনপাসুং ওইসুনো॥ মাক্কী মাক্কী সলাইলুপ সাখাই পুমনমক য়েকনাপাসুং ওইসুনো য়েকনপা আসিকী মতুংওইননা ঈকী চালো থোজোনপা য়্যা-হলোইয়ে॥

অসুম হাইলাপাতা মপানী তুকথাপানা হাইলকই —— ঈপাপও ঈপুঙো সিতপা। ঈয়েক য়েক হাইলিপা আসিপু অমুক হনমা তাকপীও হাইলাপাতা সিতাপানা হাইলকলে—পানী ঈপুওঙো তিংপানপা মাপু কৌলিপা ঈপুওঙো মহাকক্না লোইনতুনা ক্রেলিপা লাইপুংথৌ ৭ মাতা পকতুনা ঈকী মওং মাননা খুপী মলুম চাউনা অকোইপা ওইনা পকয়ে॥ অকোইপা অতুপু ঈয়েক কৌয়ে॥০॥ ঈয়েক আতুকী মনুওতা ঈকী ফুন অমা লৈয়ে॥ আতুপু ইলীক কৌয়ে॥ ইলীক আতুকা য়েক-নালে। য়েক কৌয়ে॥[1]

সালাই ৭ কী সালাই অতোম্বা সালাই লৈশাংথেমগী লাই-লেনপী চেংলৈমাকা পাননহনা খুম খুম নিংথৌ পোকএ। খুম খুম নিংথৌগী নাউতা (মচা) মলিয়াফমপালচানা লৈমা তাহু পান্নহনা কোম্হৌবা পোকএ কোম্হৌবদি হাউলোকপম শাগৈ ওইরে। হাউলোকপম চমু তফা অমসুং মীতৈ চমু সলাইলুপ শাখাইগী মচা মঙবু লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপানা লৌরুরে (পান্নরুরে)।

মসিদা পাবিরিবশিংনা নিংশিংবিগদবা অমনা – লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপা অসি লাইপুংথৌ ৭ কী অতোম্বনি। ঈপুথৌ পাখংপা অসি মহাকী মচানি। ঈপুথৌ পাখংপাগা পান্নরিবা লাই মুরা ৭ অসি লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপানা মহাকী নুংপুং বাখলদগী পুথোকপনি। লাইনিংথৌ ৭কী মথংদা লাইনিংথৌ

---

১ বাকোকলোন হীলেল থিলেল



১ বাকোকলোন হীলেল থিলেল

সনাগহি অমদি মী খলোপাগী মতমদা লাই পনখৈ ওইয়ে, অমসুং ঈপুথৌ পাখংপগী হাকশকতগী মী তাংকক হোৎরে। পাখংপা অমসুং লাই হৈরা ৭ (লাইলুপ ৭) গী মপা ওইরিবা লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপনা মীওইলুপতদি লৈশ্রবা মাগী মশুশিং ওইরিবা হাউলোকপন চম্ব তক্ষা অমদি মীতৈ চম্বু কয়াবু লৌরুরে (মশা সোকখুরে)। মসিদা লাইলুপ অমসুং মীলুপকী মরকতা য়ানদবা অমসুং অরানবা থবকনি হায়না খল্লরে। লাইয়াম অমসুং মীয়াম খুনতিন য়াকারে (মীতিন তৌরে)।

খুনতিন য়াকাপা (মীতিন) অহুদা ঈপুথৌ পাখংপনা মপাবুং ঈপুথংডো লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপদা হংবা রাহং অমসুং সালাইলেল সিতপনা খুমখিব। পাওখুম অহু অইবনা পুরাদগী লৌথোকতুনা মথকতা উৎচরে। মথক্তা পুযাদগী লৌথোকতুনা উৎচরিবা অহু মুম্না পাবিম্বু অমসুং খংবিগনি।

পুয়াগী মতুং ইন্না, ঈপুথৌ পাখঙপানা সালাইলেল সিতপাদা হংলিবা রাহং অসিগী অশঙ্বা অমসুং ফুমহৈনা লৈবা রাখলদি অসিনি — ঈপাপুঙদি লাইনি অচূম্বা ঙাক্লা তৌফম থোকপনি, অহুবু পাখংপা ঐগী ইচা ইশুবু লৌশিন্দুনা লাইয়াম অমসুং মীয়াম্না য়ানদবা অমা থোকহল্লিবা অসি চাতোন হৈতোম্না করি খনগদগে অমসুং চাতোন হৈতোম্না করি কর্ম্না চৎকদগে হায়বা অসিনি।

লাইনিংথৌ সলাইলেল সিতপনা ঈপুথৌ পাখংবদা খুমলিবা পাওখুম অসি অসিনি —

(১) ঈপুথৌ পাখংপগী চাতা নাউতা সালাই সাঁখাইশিং মীলুপনা লাইগী লীচৎপু লৌহুনা চৎপা য়ারোই।

(২) লাইগী লুপনা পাখংবগী চাতা নাউতাবু সোকউবা অঁসিদি লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ মতুংইন্না খুনতিন য়াকাপা হুমিৎ অহুদগী য়েক হায়না কৌরে।

১ রাকোক্লোন হীলেল থিলেল



(৩) মীকী মীলুপ পাখংবগী চাতা নাউতানা লাইকী লীচৎ (হায়বদি সালাইলেল সিদবনা হাউরোকপম চম্ব তক্ষা অমদি মীতৈ চম্ব কয়াবু পাম্নরুবা, মহৈগী মরমনা লাইয়ান খুতিন য়াকাবা) লৌহুনা চৎলবদি লাইগা মীগা য়েন্নবা তৈনবা, মৌনবা ওইসম্নু লাইপুঙথৌ তরেৎমক্তা য়েকনপম্নু ওইসম্নু, মাগী সালাইলুপ সাখাই পুম্নমক্তা য়েন্নবম্নু ওইসম্নু। য়েন্নবা অসিগী মতুংইন্না ঈগী চালৌ মৌলৌনবা য়ারোই।

মীতৈগী ইপা ইপুশিংগী ঈনাৎ (*culture*) গী মতুং ইন্না য়েক করিনো. য়েক থোকপা হায়বসি করিনো, মীতৈ হায়বা কাংলুপ অসিনা য়েক অমদি য়েক থোকপা হায়বসি কর্ম্না লৌনরম্নগে হান্নবম্নু মফম অসিদা ময়েক ১৮ না ইবা রাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক পুয়ানা য়াম্না শেংনা হায়রে। পুয়াদগী লৌথোকপা সরুক অহু অমুক্তগা মুম্না পাবীম্বু, শোয়দনা খংবিরগনি।

পুয়া অসিদা য়াওরিবা "লাইকী লুপনা ঈচাকী চাতা নাউতাপু সোকউপম্ন অসিতি লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ কী মতুংইননা। ঈপানা ঙসিতকী য়েক হায়না কৌলকে।।০।।" মতাং অসিদা য়াওরিবা 'সোকউপা' মশা সোকউবা হায়রিবসি লাইনিংথৌ সলাইলেল সিতপন্না মহাক্কী মচা ঈপুথৌ পাখংপগী চাতা নাউতা ওইরবা হাওরোকপম চম্ব তক্ষা অমদি মীতৈ চম্ব কয়াবু লৌরুবা সোকউবা অহুনি। 'লাইপুঙথৌ ৭ কী য়েক ৭ কী মতুং ইন্না।' হায়রিবা অসিগী রাহুনথোক্না সালাইলেল সিতপাদা য়াওরিবা 'ঈয়েক' 'ঈলীক' অহুগা ঈপুথৌ পাখংপদা য়াওরিবা অমদি মনাগী মচা মশুদা য়াওরিবা 'ঈয়েক' 'ঈলীক' অহুগা মান্নবনা (হায়বদি মপা মচা মশুগী ঈলমদা লৈবা মরমনা মান্নফম থোকপনা), লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপনা সোকউবা ঈতিন্নরুবা অহু মাম মান্নবগা ঈতিন্নবনি। পুয়া অমদি মীতৈগী ইপা ইপুগী ইনাৎ অমদি চৎনবাগী মতুংইন্না, য়াম্না নকনপা

১ রাকোকলোন হীলেল থিলেল

মাগপা ঈয়েক, ঈলীক মান্নবদা মী অমনা ঈতিন্নরবা, হকচাং সোক্নরবদি য়েক থোকই, 'ঈয়েক' 'ঈলীক' মান্নবগা মান্নবগা ঈতিন্নরবদি য়েক কৌই হায়বনি। কনাগুম্বা মীতৈগী চাতা-নাউতানা 'ঈয়েক' 'ঈলীক' মান্নবগা ঈতিন্নরবা হায়বদি চালো মৌলোনরবনি" লাইগা মীগা য়েক্নবা তৈনবা, মৌনবা অমদি লাইপুঙথৌ ৭ মক্না য়েক্নবা ওই হায়বনি।

পুয়াদা ইন্নবা, ঐখোয়নসু থাজফম খোকপা লোন্দা পুদা কয়ানা ঐখোয়দা 'য়েক' 'য়েক থোকপা' হায়বসি করিনো হায়বসি উৎলে। পুয়াগী রাফম অসি পাবদা ঐখোয়না হান্না ২০ শুবা চহিচাদা থল্লবা কয়াদি লাল্লে হায়বসি খঙলে। মীতৈ=মী+অতৈ (অতোপ্পা মী, হান্নগী মী নত্তবা, কোন্না মথং চংলক্লুনা অপুনবা ওইনা মীতৈ হায়না থোনখিবা Composite race নি হায়দা পুয়াগী ওন্ন-তৈনবদা শন্দোক্লবা) হায়বসি কংলৈপাকী মফম ৭তা য়েক্নবা ৭ ওইনা পান্নমই, য়েক্নবা ৭ ওইরবা অসিদগী 'য়েক' ৭ কৌই হায়না য়াম্না লান্না শন্দোক্লবা অমসুং মীতৈ কাংলুপ মশেল য়েংখিনহন্নবা শেন্বা লৌতুনবা অসিবু কন্না মীরোল ৬।৭ অসিদা থাজহন্নবা হোৎনরবা পুন্নমক অসি পুন্নাল লাল্লে হায়বদি খঙবিরম্লগনি। অদুবু 'য়েক' য়েক থোকপা হায়বসি করিনো হায়বসি মতম অসিদা হিংলি : মীয়াম্না হেন্না শেংনা খঙনবা পুয়াগী য়ুমফমদা মতমগী ওইবা রাহস্তোক মথৌ তাই। হৌজিক য়েংশি।

**"কংলৈপাক কৌপা মফমতা লাইনিংথৌ সিতপা সলাইলেলকী হকসাং কায়াতকী নুংপুঙ রাথনবা তাতুনা থোকখিপা লাইলুপ ৭ মাপু পাখংপবা পামনতুবা।"**

**"লাইলুপ ৭কা ঈচাকী ঈকা তিননাতুনা পোকপা আসিগুনা সালাই কৌনাক্কে।"**

১ বাকোক্লোন হীলেন থিলেল



ইপুথৌ পাখংবনা পান্নরিবা লাই সুপী তরেৎ অসি পুয়ানা "হকসাং কয়াতকী নুংপুঙ রাথননা তাতুনা থোকখিপা লাইলুপ ৭" "লাইলুপ ৭কা ঈচাকী ঈকা তিননাতুনা" "লাইলুপ ৭" হায়না কৌই। লাইসুপী ৭, লাইরুরা ৭ হাইনা পুয়ানা হায়রে। ইপুথৌ পাখংবগা পান্নবদি লাই সুপী ৭ ওইফুন থোকই হায়রুবগী রানি। ঐখোয়না মফম অসিদা পুয়াগী রাফম অসি য়াম্না মুন্না খংবা উবা মথৌ তাই। পুয়ানা লাইলুপ ৭ হাইবদি লাইপুঙথৌ ৭কী লুপ ৭ হায়বনি। লাইপুঙথৌ ৭কী লুপ অমমম লৈ; মরম অদুনা লাইলুপ ৭ লৈ। পুয়ানা "হকসাং" হৌজিকী মতমগী লোন্না 'হকচাং' মাওইবগী শকতম অসি মপু মাগী মমিদগী শাখিবা মরম্না মপু মাগী মশকনি। মরম অসিনা সলাইলেল শিংগী 'হকসাংকায়াতকী নুংপুঙ রাথননা তাতুনা থোকখিবা' লাইলুপ ৭ অসি ঈপুঙ লোইনপা আপকপা তেংপালপা তিংপালপা মপু মহাকী মশাদা য়াওরিবা লাইপুঙথৌ ৭ অদুগী লাইলুপনি। মরম অসিনা ইপুথৌ পাখংবনা লাইলুপ ৭ কা পনদুনা পোকপা সালাই ৭, মখং তারকপদা নাওতা কাংলুপ ৭ (সালাই সাখাই ৭) অসি ঈ মান্নবা কাংলুপ ৭ নি। কাংলুপ অমমমগী ঈ অসি মখোয়গী কাংলুপকী লাইপুঙথৌ অদুগী 'ঈয়েক' 'ঈলীক' অদু চেল্লি। খুদম ওইনা হাইরগা লাইপুঙথৌ 'মোং পোক চৌঙখে আপানপা' গী লাইলুপকা লাই সুপী অদুনা পোকপা নাওতা সালাইলুপ সাখাইগী মী পুন্নমক ঈ মান্নে। অদুগুম্না 'অরাংপা কোপাসু'কী লাইসুপী অদুনা পোকপা নাওতা সালাইলুপ সাখাইগী মী পুন্নমক 'ঈয়েক ঈলীক' মান্নে। অদুম্না মথং মথং। অইবনা মফম অসিদা ইজরিবা পুয়াগী রাহস্তোক (*Interpretation*) অসি পাবিরিবশিংনা খংবিরম্লগনি হায়না খল্লি।

### (৩) য়েক থোকপা

পাবিরিবশিংনা খংবিরম্লগনি পুয়াগী মতুংইন্না য়েক থোকপা মথল অনিনি। অহানবা মথলগী 'য়েক থোকপা' অসি লাইগা মীগা শম্নরিনৈগী রানি। লাইনিংথৌ সিতপা সলাইলেলনা হাওলোক্পদ চম্ন

তম্ফা অমদি মীতৈ চনু করা পান্নরে। মথকতগী হায়জখ্রে। মসিদা লাইয়াম অমত্তুং মীয়াম্না য়ান্নদ্রে, অরানবা তৌরে হায়হনা কংলা সেনশুভ ঙৈহনা খুনতিন য়াকারে। ঈপুথৌ পাখংবনা লাইনিঙথৌ সলাইলেন সিতবগী মরমচংপু য়ানিংদবা উৎতুনা রা হংলক্লবদা লাইনিঙথৌ সলাইলেন সিতপনা খুমকই "লাইকী লুপনা ঈচাক্কী নাওতাপু সোকউপা অসীতি লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ কী মতুংইননা ঈপানা ঙসিতাকী হৌনা য়েক হায়না কৌলকে' মসি মীতৈ খুন্নাইগী অহানবা লৌনবা য়াদবা লৌবা য়েক থোকপনি। লাইনিঙথৌ সলাইলেন সিতপদগী সনামহী পাখংবা সালাই নাওতা তারকতুনা ঐখোয় মীতৈ ময়াম ওইরকপা অসি লাইদগী 'ইয়েক' 'ঈলীক' না তৎতনা লেপ্তুনা চেম্বরকতুনা মীতৈ মীয়াম ওইরকপা অমদি লাইগী 'ঈয়েক' 'ঈলীক' না মীতৈ মীয়ামদা থুংলবনী রারিনি। মীতৈগী য়েক অমত্তুং য়েক থোকপগী রাফমগী মতুংইন্না লাই ফাওবনা মাগী ঈ মরিদা লৈবা ('ঈয়েক' 'ঈলীক' মান্নবা') মী চালৌবা মৌলৌবা য়ারোই, য়েক থোকই হায়বসিনি।

মথংদা অনিশুবা মথলগী য়েক থোকপা অসি করিনো অসিনি। ঐখোয় মীতৈনা ঙসি ফাওবা য়েক থোকপা লৌনদে, য়েক থোকপা লৌবা য়াদে হায়বসি মীতৈ খুন্নাইগী অকনবা মাগী অমত্তুং লাইগী চৈরাক্ লৈবা চংনবীনি। লাইগা মীগা লৌনবা য়াদবা য়েক থোকপা (মথকতা হায়জখিবা), মীগা মীগা, লৌন-লৈনবা য়াদবা য়েক থোকপা অনিমক যুম্ফমদা চপ মান্নবা ওইরবনি, অনিশুবা মথলগী য়েক্ থোকপা মীগা মীগা লৌনবা লৈনবা য়াদবা অসিনা হৌজিক্কা মতমগী হেন্না মরুওইবা মুন্না থংফম থোকপা রাকমনি।

'য়েক' 'য়েক্ থোকপা' হায়বসে হান্না অহুম য়েক ওইহনা য়েক থোকহনা লৈবা নত্তে, চালৌ মৌলৌনিরক্লবা, শাতিন-



রকলবা মতমদদা থোকপনি। য়েক ৭ (য়েরুম ৭ হায়জিনহনা মীতৈগী অপুনবা থুনাইনরা হোৎনবগী বাইস্থোকতা) অমদি য়েক ৭ (পুয়াগী লোন্দা লৌনবা তৈনপা) চারিনা হান্না অহুম লৈবা নত্তে। ঈতিমররবতদা 'য়েক' 'য়েক থোকপা' মৌনপা 'তৈনপা' 'য়েরুপা' ওইরকই। 'য়েক' 'য়েক থোকপা' য়াবা মথল ৭তি লৈ অহুম লৌন-লৈনগ্রিবমথেদি য়েক থোকতে। সালাই ৭ লৈ, য়েক ৭ লৈতে। ইতিমরবা মতমদা য়েকি রাকন লাকপনি। মীতৈ ইনাং অমদি রাংজ্লোন য়াম্না শেংডি করিয়ু চিংনিংঙাই ওইদে।

"লাইলুপ ৭ কা ঈচাক্কী ঈকা তিনমাদুনা পোকপা অসিপুনা সালাই কৌলকে॥ সালাইনা পোকপা অসিপুনা মাউতা হায়না কৌথকে। নাউতাকী সালাইলুপ সাখাই পুন্নমকনা লৌলাপাতি য়েক্কা য়েকক্কা ঈচৌনিপা ওইসুনো মানা মানা তৌবা ওইসুনো॥ সালাইলুপ সাখাইশিংনা চালৌ মৌলৌনাপা তৌনাপাতি নাওতাকী সুথাং ৭ না লোমকনিয়ে।"[১]

মথক্কী রাহৈপরেংশিং অসি পুয়াক্কী লৌথোকপনি, লাইনিংথৌ সিতপা সলাইলেলনা মীগীদি মকোক অহৌবা পাখংবদা হায়খিবনি। লাইগী পাওতাকনি, হিকরোকহেদবা লাইনিংথৌগী য়াথংনি।

লাইলুপ ৭ তগী শন্দোরকপা সলাইলুপ সাখাই ৭ লৈ। সলাই-প সাখাই অমগী মত্তুংদা লৈবা মী পুন্নমক 'ঈয়েক' 'ঈলীক' মান্নে হায়জরে। অমরোমদা অমুক হায়রগা লাইলুপ ৭না পোকপা মীতৈগী সালাই ৭ লৈ মঙাং, লুয়াং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা-ঙানবা অমদি সালাই লৈশাংথেম। তরেং অসিদগী শন্দোরকপা সালাই কাংলুপ (সালাই সাখাই) ৭ লৈ। সালাই অমগী মত্তুংদা লৈবা মী মখৈ লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক

১ রাকোক্লোন হীলেন-থিলেল

'ঈলীক' কী মতুংইন্না ঈ মায়ে। পুন্না অসিদা হায়রিবা লাইগী য়াথং অসিদা হায়রিবদি "সালাইলু সাখাইসিংনা চালৌ মোলৌনপা তৌলাপাক্তি" হায়বদি সালাই মান্নবা মশেল শাতিন ঈতিন্ন-রবদি "লাইকা মীকা য়েকনাপা । তৈনপা । মৌনপা" য়েক, য়েক খোকপা ওইরে ; "নাউতাকী শুথাং ৭ না লোমকনিয়ে" হায়বদি মীরোল ৭ শুবদা কাংখুল মুংকনি, অসিনি। 'য়েক, য়েক খোকপগী থবক হেক তৌবদা শুথাং ৭ ( মীরোল ৭ ) তা মুংকনি হায়বসি লাইগী য়াথংনি। হেক হিকতোকপদা লাইগী চৈরাক ফংগ-নি। থাইন মমাংতৌদদি য়েক, য়েক খোকপগী থবক তৌবা মুপা মুপী অনিম্নু লোই থারমই।

মরম অহনা লাইগী পাওতাক অমসুং য়াথংগী মতুংইন্না নাও রেমগা য়ুম্মামগা, মুহুমগা কাংভবমগা অসিনচিংবা সালাই মান্নবা মরম্না লৌনবা য়ান্দ্রে। অহগুম্না লাইশ্রনগা পুশ্রবমগা লৌনবা য়ান্দ্রে। পোংশংবমগা খোভামগা লৌনবা য়ান্দ্রে। খোকচৌমগা মোইরাংথেমগা লৌনবা য়ান্দ্রে অসিনচিংবা। করি গুম্বা লাইগী পাওতাক অমসুং য়াথংবু হিকতোকতুনা চৎলক্নবদি লাইগী অমসুং মীগী চৈরাক ফংগনি।

## অনিসুবা পন্দুপ

# সালাই করিনো?

য়েক, য়েক খোক্পা হায়বসি করিনো হায়নবা হোংনজবদা মথক্তা ইজখিবা ময়াম অসিদগী 'সালাই' করিনো হায়বসি পাবি-রিবশিংনা খংবিরম্নগনি। অহব অমুকন্না খন্নসি।

'সালাই' হায়বসি ইপুথৌ পাখংবনা লাইলুপ ৭ পান্নরগা পোকপা ইপুথৌ ৭ অম্বনি। মীতৈগী হৌজিক লৈরিবা সালাই





সাখাই ৭ হায়বদি মঙাং কাংবু লুবাং কাংবু — — কাংলুপ ৭ অসিগী ইহৌ হৌবা মুপা ইপুথৌ ৭ অহব সালাই কৌই। মীতৈগী ইনাংতা খুন্নাইদা 'সালাই' হায়বসি মচু ৭ পুম্নু থংনৈ। মীতৈগী সালাই ৭ লৈ. সালাই অমমমগী মচু অমমম, মচু ৭মু লৈ।

ঈপুংলোইনপা আপকপগী তরং লাইপাউগী মতুং ইন্না লাই-নিংথৌ সনামহীনা মী শাম্বনা মপাপুং লাইমিংথৌ সলাইলেন সিতপদা কংশিল্লে। লাইনিংথৌ সনামহীনা শারিবা মী অম্ব উরুবদা ইমা লৈমারেল সিত্তপী তিললাং খোইত্তাখ্রে, লমতা লৈতাক্লে। থা ১০ নাউপুরবদা ঈপুথৌ পাখংবা ওইনা লাংপা তাইপং লমজাও তারক্লে। মতৌ অম্বম তৌনা ঈমা লৈমরেল সিতপীম্না ঈপুথৌ পাখংবা পোক্লে। তাইবং মালেমদা ঈপুথৌ পাখংবনা ইহান্ন হানবা মীনি, মুপানি।

'লাইলুপ ৭কা ঈচাকী ঈকা তিন্নাতুনা পোকপা আসিপুনা সালাঈ কৌন্নকে।[১]" পুয়াদগী লৌথোকপনি। মথক্তম্বু উবিখ্রে। লাইপুংথৌ ৭ কী অত্তোম্বা লাইনিংথৌ সলাইলেল সিতপনা মচা ওইবা ঈপুথৌ পাখংবদা হায়খিবনি। সালাই হায়বা মিংসি মীদা লাইনা থোনবা মিংনি। ঈপুথৌ পাখংবনা লাইলুপ ৭ হায়বদি লাইমুপী ৭ পান্নহনা পোক্পা ( লাই মুপী অমমমনা মুপা অমমম পোক্পা ) মুপা ৭ অহব সালাই মত্রগা সালাই ৭ কৌই হায়বনি।

মীতৈগী হৌজিক হৌজিক্ সালাইলুপ ( সলাইলুপ মান্নবা কাংলুপ ) ৭ লৈ। সালাইলুপ ৭ অসি ইপুথৌ ৭ অসিদগী শন্দোকপনি।

মীতৈগী মচু ৭ কী ফিরাল্ হায়বসি মীতৈগী ফিরালদা য়াওরিবা মচু ৭ অহ সালাই ৭ কী মচুনি। মত্তৌ করম্না সালাই ৭ কী মচু ওইরিবা মতুংদা অমুক খন্নগনি। মীতৈনা মায়কৈ সালাই খংদ্রে

[১] বাকোকলোন হীলেল থিলেল

হায় । মতম অমদা মীতৈনা মীতৈগী ঈনাৎ কন্না ৱাকতুনা চৎ-লিঙৈদা থুপা থুদিং সালাই কোয়েৎ ( হায়বদি মাগী সালাইগী মচুগী ফিনা কেকয়েৎ ওইনা য়েৎপা ) য়েৎতুনা চৎনরম্মী । হৌজিক্কি সালাই কোয়েৎ য়েৎত্রে, করি সালাইনো কদোমদগী লাকপনো খংদ্রে হায়বনি ।

অরোইবদা মীতৈগী য়েক সালাইগী কাংলোন ( Theory ) অসি য়াম্না Classical ওইবা Unique ওইবা পোৎনি । মীতৈগী মচু ৭ কা VIBGYOR গী মচু ৭ মাম্নদে ! মথং মনাৱদা (In order দা) মাম্নদে ! অদুবু মচু ৭ লৈ হায়রবসি খঙবদি মীতৈনা মালেমগী মী কাংলুপ অতৈদগী চহিচা থরদি শোয়দনা হাল্লে । PRISM গী Experiment তা মচু ৭ লৈ হায়না নেংচুপনা খঙলকপা অসি ঙরাংতগী রানি । মীতৈদি সালাই কোয়েৎ মচু ৭ য়েংলকপা মচু ৭ কী ফিরাল শিজিন্নরকপা চহি লিশিং থরদি শুরে হায়না নিংই ।

মীতৈগী 'য়েক' হায়বা রাইহেসি য়েক্কবা ৭ হায়বদগী ওইথিবা রাইহে শুকনৎ নত্তে । য়েক্কী মশিং লৈতে । মাররবা সালাই লোনরবা লৈনরবতদা 'য়েক' 'য়েক্ থোকপা' ওই । তাইবং মালেমদা য়াম্না লেমন্নিংঙাই ওইরবা Scientific foundation লৈবা য়েক সালাইগী কাংলোন ( theory ) অসিবু মীতৈ থুদিং-মক্না ইকাইখুম্নফম থোক্ই ।

লৈপাকমচা পুন্নমক—

মীতৈগী ইপা ইপুগী লাইনিং লাইশোন ইনাৎ কনশি হায়রবসি কংলৈপাক্কী মরু ওইবা লাইফমলেনশিং পুন্নমক ( কৌব্রু, থাংজিং অসিন-চিংবা ) Ancient and Historical Monuments and Archaeological Sites and Remains Act, 1976 মখাদা লাইফমলেনশিং অসি সরকারনা আইনগী মখাদা কন্দুনা/ঙাক সেন্দুনা থন্নবা মফমশিংনি হায়না লাওথোক্নবা হোৎনবিয়ু । Act অসিগী অপিবা Provision পুন্নমক থবক ওইনা পাংথোক্নবা Implement তৌনবা Association শেম্নবা তৌবিয়ু ।

—অইবা ।